# কোভিদকী অহুমশুবা ৱেভকী মতাংদা দেল্লীগী চীফ মিনিষ্টরনা মীটিং কয়াদা সিনারিও মরি খন্নখ্রে

ন্যু দেল্লী, জুন ০৪ (এজেন্সী):

নোংমদা থেংনবদা কোভিদ কেস মশিং ৫০০গী মখাদা হন্থরকপগা লোয়ননা দেল্লী গভর্ণমেন্টনা পেন্দমিক অসিগী অহুমশুবা ৱেভকীদমক শেম শানবগী থৌরাং লৌখৎখ্রে।

এক্সপর্টশিংনা নেসনল কেপিটেল অসিদা আই সী য়ু বেদ ৪৫,০০০ রোম মথৌ তাগনি হায়বা সজেসন পীখ্রে। দেল্লীগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা ইরাই নুমিৎকী অয়ূক্তা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী অহুমশুবা ৱেভকা মরী লৈননা শেম-শাবগী থবক শিন্নরিবা এক্সপর্ট কম্মিটি অমগা রিভিয়ু মীটিং পাঙথোকখি।



কেজ্রিৱালনা লুচিংবা এ এ পি গভর্ণমেন্টনা হন্দক্তা এক্সপর্ট কম্মিটি অনী শেমখি। কম্মিটি অমদা দেল্লী গভর্ণমেন্টকী সিনিয়র ব্যুরোক্রেট নিপাল য়াওই অমসুং অনীশুবা অদুনা দোক্তরশিং, এক্সপর্টশিং অমসুং গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিং য়াওবা মেম্বর ১৩গী টাস্ক ফোর্স অমনি। কম্মিটিশিং অসিনা অঙাংশিংগী সেফটিগী ৱাফম য়াওনা ইস্যু অসি কূপ্না য়েংশিনগনি।

দেল্লী গভর্ণমেন্টকী ছোর্সশিংগী মতুং ইন্না, কেজ্রিৱালনা দেল্লীগী হেল্থ মিনিষ্টর সত্যেন্দর জেনগা লোয়ননা এক্সপর্ট কম্মিটিগা মীফম অমা পাঙথোকখি।

মথংগী রিভিয়ু মীটিং টাস্ক ফোর্সকা লোয়ননা ইরাই নুমিৎকী নুংথিল পূং ৪দা পাঙথোক্কনি। দেল্লী গভর্ণমেন্টকী ছোর্সশিংনা হায়, সিটি অসিদা কোভিদ-১৯গী অহুমশুবা ৱেভ লাক্কবদি হায়দুনা কেজ্রিৱাল গভর্ণমেন্টনা সিনরি মরি খন্নরি। মীপাইনিংঙাই ওইরিবদি সিনারিও অমদা নোংমদা অনৌবা কেস ৪৫,০০০ হেন্না থেংনবগী ফিভম অসিনি।

অহানবা সিনারিওদা নোংমদা থেংনবা অনৌবা কেস মশিং অনীশুবা ৱেভকা মান্ননা ২৮,৩৯৫ য়ৌবা য়াই। অনীশুবা সিনারিওনা নোংমদা থেংনবা কেস মশিং অনীশুবা ৱেভতা থেংনখিবা মশিংদগী চাদা ৩০ হেন্দুনা ৩৬,৯১৪ য়ৌবা য়াই। অহুমশুবা ইষ্টিমেটকী মতুং ইন্না, নোংমদা কেস ৪৫,৪৩২ হেনগৎপা অসিনি। মসি অনীশুবা ৱেভতা থেংনখিবা মশিংদগী চাদা ৮০ নৎত্রগা মসিদগী হেনবা হায়না পাবদনি। মরিশুবা প্রোজেক্সনদা খরা শাফবগী ফিভম নোংমদা কেস ১৫,০০০ হেনগৎপা অসিনি।

সিনারিও খূদিংমক্তা মরী লৈননা গভর্ণমেন্টনা ওক্সিজেন এরেঞ্জমেন্টকী থৌরাংশিং খন্নরি। সিনরিওশিং অসি আই আই টি দেল্লীনা দেল্লী গভর্ণমেন্টতা সবমিট তৌখিবা রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওই। অনীশুবা ৱেভতা সিটি অসিনা ওক্সিজেন ৱাৎপগী প্রোব্লেম মায়োক্ত খিবদগী ওক্সিজেন লোইশিনখ্রবা হোস্পিটালশিং পেসেন্ট কয়া শীখি।

# মধ্য প্রদেশ হায় কোর্টনা ষ্ট্রাইক ইলিগেল ওই হায়বদগী জুনিয়র দোক্তরশিং রিজাইন তৌখ্রে

ভোপাল, জুন ০৪ (এজেন্সী):



মধ্য প্রদেশতা জুনিয়র দোক্তরশিংনা চথরিবা ষ্ট্রাইক ইলিগেল ওই হায়না মধ্য প্রদেশ হায় কোর্টকী দিভিজন বেঞ্চনা লাউথোকখিবগা লোয়ননা পূং ২৪গী মনুংদা থবক হৌনবা ওর্দর তৌবদগী জুনিয়র দোক্তর কয়া রিজইন তৌখ্রে।

ষ্টাইপেন্দ হেনগৎহল্লু হায়বা য়াওনা তোঙান তোঙানবা দিমান্দশিং তকশিন্নদুনা জুনিয়র দোক্টর্স এসোসিএসন (জেদ য়ু দি এ)না নুমিৎ কয়ানি ষ্ট্রাইক চথরকপনি।

শগোলশেন নুমিত্তা হায় কোর্টনা পিটিসন অমগী হিয়ারিংদা ষ্ট্রাইক অদু অনকন্সটিট্যুসনেল ওই হায়রদুনা জে য়ু দি এগী মেম্বরশিংদা পূং ২৪গী মনুংদা মখোয়গী মথৌদা হঞ্জিন্নবা খঙহনখি। পীরিবা মতমসিগী মনুংদা মথৌদা মায় ওনশিন্দবা দোক্তরশিংগী মায়োক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎনবসু গভর্ণমেন্টতা খঙহনখি।

ষ্টেট অসিগী মেদিকেল কোলেজ তরুক্তা জুনিয়র দোক্তর ৩০০০ লৈ। মধ্য প্রদেশ জুনিয়র দোক্টর্স এসোসি-এসন (এম পি জেদ দি এ) গী প্রসিদেন্ট অরভিন্দ মীনাগী মতুং ইন্না ষ্টেট অসিগী জুনিয়র দোক্তর খূদিংমক রিজাইন তৌখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর শিভরাজ সিংহ চৌহাননা মীৎয়েং চঙশিন্দুনা ষ্ট্রাইক অসি লোইশিন্নবা হোৎনগদবনি হায়না মীনানা ফোঙদোকখি। মহাক্না গভর্ণমেন্টনা দোক্তরশিংদা অরেম্বদা প্রেসর পী হায়না মরাল শীখি।

মখোয় মীয়াম্না শৌগৎলি হায়রদুনা প্রেসর কনশিল্লক্লবদি লম্বীদা থোক্তুনা প্রোটেষ্ট তৌগনি হায়নসু দোক্তরশিংনা কিহনখ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা মখোয়না সুপ্রিম কোর্টতসু আপীল তৌরগনি।

ছোর্সশিংনা হায়রি মদুদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা দোক্তরশিংগী ষ্টাইপেন্দ চাদা ১৭ হেনগৎহনগনি হায়না ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা থাজবা পীখ্রে। চৈরকসিদা জুনিয়র দোক্তরশিংগী ষ্ট্রাইক অদুনা ষ্টেট অসিগী হেল্থ ক্যের সর্ভিসশিংদা চাওনা শোকহনখ্রে।

## কোদিং, দাটা সাইন্স য়াওরগনি

ন্যু দেল্লী, জুন ০৪ (এজেন্সী):

নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসি (এন ঈ পি)-২০২০গী রিকমেন্দেসনশিংগী মতুং ইন্না স্কুলশিংদা স্কিল সবজেক্টশিংগী ওইনা কোদিং অমসুং দাটা সাইন্স তমহল্লগনি।

মাইক্রোসোফ্ট, সী বি এস ঈ অনী খূৎশম্নরগা ইন্দিয়াগী তুংগী মীরোলশিংদা মতমগা চুনরবা স্কিলশিং তম্বীরগনি হায়না য়ুনিয়ন এদ্যুকেসন মিনিষ্টর রামেস পোখ্রিয়াল নিশাঙ্কনা ত্বিটরদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা, সী বি এস ঈগী মায়কৈদগী কুমজা ২০২১গী সেসনদগী সবজেক্টশিং অসি শোয়দনা য়াওহনবা য়ানবা মরী লৈনবা খোঙথাংশিং লৌখৎলকপসি থাগৎনিংঙাইনি হায়না ফোঙদোকখি।

# অঙাং মবুক পীথক্লিবী মমাশিং ভেক্সিন কাপ্পদা প্রাইওরিটি পীনবা এন ঐচ আর সীনা গভর্ণমেন্টতা খঙহনখ্রে

জয়পুর, জুন ০৪ (এজেন্সী):

অঙাং মবুক পীথক্লিবা মমাশিংবু প্রাইওরিটি ওইনা ভেক্সিন কাপ্পগী ৱাফমগী মতাংদা লৌখৎফম থোকপা এক্সন লৌখৎপগা লোয়ননা এক্সন টেকন রিপোর্ট (এ টি আর) অমা সবমিট তৌরক্নবা নেসনল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এন ঐচ আর সী)না মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র (এম ও ঐচ এফ) দল্লিয়ুগী সেক্রেটরিদা খঙহনখ্রে।

এন ঐচ আর সীগী অথুবা মীৎয়েং চঙবীনবা তকশিল্লদুনা রাজস্থান য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা লৈবা লো কোলেজগী মহৈরোয় অমা ওইরিবা তাপিশ সরাৱাটনা ইন্দিয়াদা মবুক থক্লিবা অঙাং চেনবী মমাশিংগী রাইট খোঙ্গাওনবগা মরী লৈননা কমপ্লেন্ট অমা থাঙ্গৎখি।

মহাক্কী কমপ্লেন্ট অদুদা লো কোলেজগী মহৈরোয় তাপিশ সরাৱতনা অঙাং মবুক পীথক্লিবা মমাশিং প্রাইওরিটি বেসিসতা ভেক্সিন কাপ্পীনবা অমসুং মখোয়বু মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থনা কুমজা ২০২১গী মে ২৭তা ইস্যু তৌখিবা গাইদলাইনশিংদা য়াওহনবীনবা হায়জখি।

কমপ্লেন্ট অদুদা মহাক্না মখা তানা হায়, গভর্ণমেন্টনা হৌজিক অঙাং মবুক পীথক্লিবা মমা খূদিংমক ভেক্সিন কাপথোক্নবা রিকমেন্দ তৌরে। ইন্দিয়াদা নুমিৎ খূদিংগী অঙাং ৬৭,০০০ পোক্তুনা চহী অমদা চাউরাক্না প্রেগনেন্সি ক্রোর ২.৭ রেকোর্দ তৌরি।

অসুম্না মখোয়দা কোভিদনা শোকহনবা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ। মরম অদুনা অঙাং মচা চেল্লিবা মমাশিং অসিবু প্রাইওরিটি ওইনা থুনা ভেক্সিন কাপথোকপা অমসুং মখোয়বু মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থনা ইস্যু তৌখিবা গাইদলাইনশিংগী মনুং চলহন্দুনা খ্বাইদগী নকপা কোভিদ ভেক্সিনেসন সেন্টরদা ভেক্সিন কাপ্পগী খুদোংচাবা ফংহনবা হায়বসি য়াম্না মথৌ তারে। অঙাং মবুক পীথক্লিবী মমাশিংবু ভেক্সিন কাপ্পা তপথবা অসিনা মখোয়দা খুদোংথীনিংঙাই ওইবদা নত্তনা মখোয়গী অঙাংশিংবুসু চৈথেং নংহনবা য়াই।

এন ঐচ আর সীনা মসিগী ওর্দরদা হায়, কমপ্লেন্ট অসি লৌখৎফম থোকপা এক্সন লৌখৎনবা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা য়ৌহনগদবনি।

কমপ্লেন্ট/দিভক্টিমগা মরী লৈননা চয়োল নিপালগী মনুংদা লৌখৎফম থোকপা এক্সন লৌখৎনবা অমসুং মঙোন্দা এক্সন টেকন রিপোর্ট খঙহন্নবা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা দিরেক্সন পীরি।

## মেহুল চোকসি অমুকসু ইন্দিয়ন ওথোরিটিশিংনা ফাবা ঙমদ্রে



ন্যু দেল্লী, জুন ০৪ (এজেন্সী):

দোমিনিকাগী হায় কোর্ট অমনা মীচেল ওইরবা বিজনেসমেন মেহুল চোকসিগী কেস হিয়ারিং য়ৈথোকখিবগা লোয়ননা মেম্বর নিপালগী সী বি আই ঈ দি অমসুং এম ঈ এগী টিম হৌজিক লুপা ক্রোর লিশিং কয়াগী নমথাক্কী কেসতা চেন্নরিবা দাইমন্দ জ্বেলর অসি ফাবা ঙমদনা লাক্লগনি। দোমিনিকান কোর্ট অদুনা কেস অদুগী মথংগী হিয়ারিং জুন ১৪দা য়ৈথোকখিবনি।

এজেন্সিগী ছোর্সশিংগী মতুং ইন্না, সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই), ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টরেট, মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়র্সকী ওফিসলশিং অমসুং সী আর পি এফ কম্মান্দো অনীগী মেম্বর নিপালগী টিম তোংবা কটারগী চার্টরদ জেট শগোলশেন নুমিত্তা দোমিনিকাগীদমক থাদোকখি। ইন্দিয়ন ওফিসলশিংগী টিম অদু চোকসিগী কেসকা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিংগা লোয়ননা থাংজ নুমিত্তা দোমিনিকাদা থুংখি।

পঞ্জাব নেসনল বেঙ্ক (পি এন বি)গী লুপা ক্রোর ১৩,৫০০ নমথাক তৌখিবগী কেসকা মরী লৈননা ইন্দিয়ন ওথোরিটিশিংনা ফানবা হোৎনরিবা চোকসিগী হেবিস কোর্পস হিয়ারিং শগোলশেন নুমিত্তা দোমিনিকান হায় কোর্টকী জজ বর্নি ষ্টেফেন্সননা এদজোর্ন তৌখি।

করিবিন ঈথৎ অদুদা বেজ তৌবা ন্যুজ আওটলেট এন্টিগুৱা ন্যুজ রূমগী মতুং ইন্না, চোকসিবু দোমিনিকাদগী পুবা থিংনবা ফাইল তৌবা ইঞ্জেক্সনগা মরী লৈননা শীজিন্নগদবা লোনগী মতাংদা মহাক্কী উকিলশিং অমসুং দোমিনিকান গভর্ণমেন্টকী মরক্তা য়ানবা অমা পুরকহন্নবা কেস অদু এদজোর্ন তৌখ্রে।

রিপোর্ট অদুনা মখা তানা হায়, পার্টি অনীমক্না উনদুনা মেট্টর অদু খন্নরগা য়ানবা পুরক্লবা মতুংদা জজদা পাউ পীগদবনি। মদুগী মতুংদা জজনা কোর্টকী অনৌবা তারিখ লেপকনি।

পঞ্জাব নেসনল বেঙ্কতা নমথাক তৌরম্বগী কেসকা মরী লৈননা সী বি আই অমসুং ঈ দিনা ফাবা পাল্লিবা চোকসি মে ২৩দা এন্টিগুৱাদগী মাঙখিবদগী থিবা হুম্বগী অচৌবা ওপরেসন অমা পাঙথোকখি। মহাক মে ২৬তা দোমিনিকাদা ফাখি।

চোকসি অমসুং মহাক্কী উকিলশিংনা মহাক নম্ফুদা ভেসেল অমদা তোংহন্দুনা ফাখিবনি হায়না ক্লেম তৌখি।

## রেমদেসিভির ব্লেক মার্কেটিংগী মায়োক্তা এন এস এ পানখ্রে

নোইদা, জুন ০৪ (এজেন্সী):

কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মনুংদা ফেক রেমদেসিভির ইঞ্জেক্সনশিং ব্লেক মার্কেটিং তৌবদা চেন্নবশিংগী মায়োক্তা নোইদা পুলিসনা নেসনল সিক্যুরিটি এক্ট (এন এস এ)গী মখাদা এক্সন লৌখৎখ্রে।

কোভিদ-১৯ লায়েংবদা শীজিন্নবা দ্রগ রেমদেসিভির ব্লেক মার্কেটিং তৌবগী মরাল শীরবা মীওই অমগী মায়োক্তা এন এস এ শীজিন্নবসি উত্তর প্রদেশকী ওইনা মসিনা অহানবনি। উত্তর প্রদেশ পুলিসকী পাউনা হায়, নোইদা সেক্টর-২০ পুলিস ষ্টেসনগী পুলিসনা এপ্রিল ২১দা এক্যুজ অমা কোভিদ পেন্দমিক্কী অনীশুবা ৱেভসিগী মনুংদা প্রিস্ক্রাইব তৌবা রেটশিংদগী য়াম্না হেনবা মমলশিংদা রেমদেসিভির ইঞ্জেক্সন ১০৫ য়োল্লম্বগীদমক ফারগা জেলদা থমখ্রে। তোঙান তোঙানবা সেক্সনশিংগী মখাদা এক্যুজ অদুগী মায়োক্তা কেস অমসু রেজিষ্টর তৌখি।

এক্যুজ অদুদগী লৌখৎপা ইঞ্জেক্সনশিং অদু মেদিকেল এক্সপর্ট অমনা ইগজামিন তৌবা মতমদা অশাবা (ফেক) ঙাক্তা ওইরমখি।

নোইদা পুলিসকী মতুং ইন্না, এক্যুজ রচিত ঘাই ফেক রেমদেসিভির ইঞ্জেক্সনশিং য়োন্দুনা মীয়ামগী পুন্সিবু খুদোংথীবা নংহন্নবা হোৎনরিবা শাথিরবা ক্রিমিনেল অমনি।

## এস পি লীদর সাইলেন্দ্র বূক তৌখ্রে

গোরাঘপুর, জুন ০৪ (এজেন্সী):

সমাজৱাদি পার্টিগী লীদর সাইলেন্দ্র য়াদব কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবগী কাঙলোনশিং থুগায়বগীদমক্তা পেন্দমিক এক্টকী মখাদা বূক তৌখ্রে। লুহোংফমদা মহাক্না দান্স তৌবগী ভিদিও অমা সোসল মিদিয়াদা ভাইরেল ওইরকপদগী খোঙথাং অসি লৌখৎখিবনি।

লুহোংবগী থৌরম অদু মহাক্কী মশেনশিংগী মনুংদা অমগীনি। মহাক গোরাঘপুরগী দিষ্ট্রিক্ট পঞ্চায়ত মেম্বর রেনুবালাগী মপুরোইবনি। সিনিয়র সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (এস এস পি) দিনেশ পিনা হায়, পেন্দমিক এক্ট খোঙ্গাওনবগীদমক্তা কেস অমা রেজিষ্টর তৌরে। থৌরম অদুদা তিনখিবশিংগী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎলগনি। লুহোংফম অদুদা সেফটি প্রোটোকোলশিং ইন্নখিদে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

## সবমেরিন প্রোক্যুরমেন্টকী দীল দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা অয়াবা পীখ্রে



ন্যু দেল্লী, জুন ০৪ (এজেন্সী):

ষ্ট্রেটেজিক পার্টনরশিপ অমগী খূৎথাংদা প্রোজেক্ট-৭৫১গী মখাদা লুপা ক্রোর ৪৫,০০০ হেনবগী সবমেরিন তরুক লৈবগী ইন্দিয়ন নেভিগী মেগা দীলগা মরী লৈনবা রিক্বেষ্ট ফোর প্রপোজেল (আর এফ পি) ইস্যু তৌবগী ৱাফম দিফেন্স এক্বিজিসন কাওন্সিল (দি এ সী)না ইরাই নুমিত্তা অয়াবা পীখ্রে।

মমাঙদা ইন্দিয়ন কম্পনি অনী অমসুং মপানগী ওরিজিনেল ইক্বিপমেন্ট মেন্যুফেকচরর মঙা সোর্টলিষ্ট তৌখ্রবনি। মেগা দীল অদু ইরাই নুমিত্তা দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা লুচিংদুনা পাঙথোকখিবা দি এ সীগী মীফমদা এপ্রুভ তৌখি।

নেভিগীদমক লৈবাক অসিদা সবমেরিন শাজবা য়াহনগদৌরিবা অচৌবা প্রোজেক্ট অদু ফাইনেল এপ্রুভেল ফংখি। সবমেরিন শাবগী প্রোজেক্ট অদুদা ইন্দিয়ন কম্পনি অনীনা মপানগী মেন্যুফেকচরর অমগা থবক তৌমিন্নগনি।

মাজাগোন দোক্স (এম দি এল) অমসুং প্রাইভেট কম্পনি লার্সেন এন্দ টোব্রোদা আর এফ পি ইস্যু তৌখ্রে।

## প্রি-এরেষ্ট বেল চেলেঞ্জ এস সীনা রিজেক্ট তৌখ্রে

ন্যু দেল্লী, জুন ০৪ (এজেন্সী):

চহী অসিগী ফ্রেবুৱারীদা নেসনল কেপিটেল দেল্লীদা রেজিষ্টর তৌখিবা রেপ কেস অমগী এক্যুজ ওইরিবা মুম্বাইদা বেজ তৌবা টি ভি এঙ্কর অমদা পীখিবা এন্টিসিপেটরি বেল কেন্সেল তৌবীয়ু হায়বা প্লী সুপ্রিম কোর্টনা ইরাই নুমিত্তা রিজেক্ট তৌখ্রে।

জষ্টিস নভিন সিনহা অমসুং জষ্টিস অজয় রাস্তোগী বেঞ্চ অমনা দেল্লী হায় কোর্টকী ওর্দরদুদা খূৎ থিংজিন্নবগী মরম লৈতে হায়খি।

ভিক্টিম অদুগী কাওন্সেলনা মহাক্কী অর্গ্যুমেন্টতা হায়খি, রেপ লোদা অহোংবা লৈবা-লৈতবা থীদনা হায় কোর্টনা বেল পীখি। সেক্সন ১৬৪দা পনবা ষ্টেটমেন্টসু কোর্টনা চিংনবা উৎতনা য়াখি। এক্যুজ অসিনা নুমিৎ ৫০নি কোইলোৎ লোৎতুনা লৈখি হায়না কাওন্সেলনা মখা তাখি।

বেঞ্চ অসিনা ভিক্টিমগী কাওন্সেলদা ঐখোয়না খন্নরিবদি বেলগী ৱাফম্নি হায়খি, নুপা অমগা নুপী অমগা কা অমদা লৈবা মতমদা নুপা অদুনা নুপী অদুদা ৱাফম অমা হায়জবদা নুপীদুনা য়ারবদি, ঐখোয়না অসিগুম্বা ষ্টেজ অসিদা করি হায়বা মথৌ তাবগে হায়না বেঞ্চ অসিনা মখা তাখি।

রেপ এক্যুজ ওইরিবা মুম্বাইগী টি ভি জর্নেলিষ্ট ভারুন হিরেমাথতা প্রি-এরেষ্ট বেল পীখিবা দেল্লী হায় কোর্টনা মে ১৩দা পাস তৌখিবা ওর্দর শীংনদুনা রেপ ভিক্টিমনা থারকখিবা প্লী অমা সুপ্রিম কোর্টনা হিয়ারিং তৌখিবনি। রেপ অমসুং সেক্স্যুএল এসোল্টকুম্বা শাথিরবা ওফেন্সশিংদা হায় কোর্টনা শোয়দুনা এন্টিসিপেটরি বেল পীখিবনি হায়না পিটিসনরনা য়েৎখি।

হায়রকপা মতমদা ইনভেষ্টিগেসন্দা কোওপরেসন পীগনি হায়বগী কন্দিসনদা দেল্লী হায় কোর্টনা হিরেমাথতা ইন্টরিম প্রোটেক্সন পীখিবনি। দেল্লীগী কোর্ট অমনা মমাঙদা হিরেমাথকী মায়োক্তা নন-বেলেবল ৱারেন্ট ইস্যু তৌবা লৈখ্রবনি। হৌখিবা মার্চ থাদা চথখিবা ত্রাইএলদা হিরেমাথকী এন্টিসিপেটরি বেল এপ্লিকেসন খন্নখিদবনি।

## পুলিস পর্সনল ৩ সস্পেন্দ তৌখ্রে

সুল্টানপুর, জুন ০৪ (এজেন্সী):

উত্তর প্রদেশকী সুল্টানপুর দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা ভিলেজ অমদা এক্যুজ অমা পুলিস কষ্টদিদা শিখিবদগী ষ্টেসন হাউস ওফিসর অমা, সব-ইন্সপেক্টর অমা অমসুং হেদ কন্সটেবল অমা সস্পেন্দ তৌখ্রে। মীশি অদুগী মতাংদা প্রোব অমসু ওর্দর তৌখ্রে।

এস পি সুল্টানপুর ভিপিন মিশ্রাগী মতুং ইন্না, মশাগী চহী ৩৫ শুরবা রাজেশ কোরি মে ৩১দা চহী ১৫গী নুপীমচা অমা কিদনেপ তৌবগী মরালদা বূক তৌখি। মখোয় অনীমক কুদেৱার পুলিস সর্কলনা কোনবা জগদিসপুর ভিলেজদগীনি। মখোয় অনী য়ানদুনা রাজেসকী দুকান লৈবা অয়োধ্যাদা চেনখি। মখোয় য়ুমশকৈশা নুমিত্তা সুল্টানপুরদা পুরকখি।

নুপীমচা অদু ষ্টেটমেন্ট লৌরবা মতুংদা ময়ূমদা হলহনখি অমসুং রাজেসপুনা লোক-অপতা থমখি। রাজেশ মশা নুংঙাইরক্তবদগী কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টর অমদা পুখি। মহাক শগোলশেন নুমিৎকী নুমিদাংদা সেন্টর অদুদা শিখি।

এস ঐচ ও কুদেৱার অরভিন্দ পান্দে, সব-ইন্সপেক্টর শাস্ত্রজিট প্রসাদ, হেদ কোন্সটেবল ব্রিজেশ কুমার সিংহ সস্পেন্স তৌবগা লোয়ননা মথৌ চেকশিন্দবগীদমক হোমগার্দ ভোলেন্দ্রগী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎনবা রিকমেন্দ তৌখ্রে। ছোর্সশিংগী মতুং ইন্না পুলিসনা ফাবদগী কোরিগী মথ্বায় শোকখি অমসুং নুপীমচা অদুনসু মহাক্কী মায়োক্তা ষ্টেটমেন্ট পীখি।

## ꯁꯣꯔꯥꯡꯀꯤ ꯄꯥꯎꯖꯦꯜ/শোরাংকী পাউজেল



ঐখোয় খ্বাইগী ইরক্তা তিনবিরম্বী, তখেল্লম্বম ওংবী খোমদোনবী দেবীনা মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরূপ মপাং খ্বাই পুন্নমকপু থাদোক্লম্লগা হৌখিবা তাং ২৫।৫।২০২১ ইং, কালেনগী ১৪নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ঈশ্বরগী খুয়াদা চঙজখ্রে।

লাক্লিবা তাং ৩০।৫।২০২১ ইং, কালেনগী ২০নি পানবা নোংমাইজিং নুমিত্তা অষ্ঠি-সঞ্চয় লৌখৎচরগা, লাক্লিবা তাং ৭।৬।২০২১ ইং, কালেনগী ২৭নি পানবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা শোরাৎ থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবীগী থৱায়না ঈশ্বরগী খুয়াখাদা ঈংনা চীক্না লৈজরুনবা ঙমজবা হৈরাং-লৈরাং খরদং ঈশ্বরগী মফমদা কৎচগদৌরি।

থৌরম পরেং ঃ অয়ুক পূং ৮.০০ – ভেককৎপা, অয়ুক পূং ১০.০০ থৌরম লোইশিনবা

হৌজিক হৌজিক কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইদুনা লৈবাক্কী অথিংবা লৈবনা থৌরমশিং অসি ইমুং-মনুংনা অয়ুক্তা লাইগী ওইবা থৌরমতমক পাঙথোকচরগা লোইশিঞ্জগনি। মরম অদুনা খ্বাই পুন্নমক্না ৱারৌবিদনবা খঙহঞ্জরি।

*পাউজেঞ্জরিবশিং - ১। তখেল্লম্বম ইরাবোৎ সিংহ (মপুরোইবা)*

২। তখেল্লম্বম রোজেসকুমার সিংহ (মচানুপা)

৩। তখেল্লম্বম রোনেল সিংহ (মচানুপা) অমদি ইমুং-মনুং

কোংবা উচেক্কোন খুনৌ, ইম্ফাল ইষ্ট। # 98565287545

HL-P/9806/5

## ꯂꯥꯟꯅ-ꯊꯧꯔꯝ / লান্ন-থৌরম



মালেম তাইবংপান্দা ঐখোয়গী ইরক্তা তিনবিরম্বা হিজম শ্যামানন্দা সিংহনা নুংশিজরবা মাগী ইমুং-মনুং, মরুপ-মপাং খ্বাই পুন্নমকপু থাদোক্লম্লগা হৌখিবা চৈচৎ ০২।০৬।২০২১ কালেন থাগী ২৩নি পানবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা পুন্সি চেংজেল লোইরদুনা তাইবংপান মপুগী খুয়াদা লৈরাং লৈনম ওইনা তিনখ্রে। লাক্লিবা চৈচৎ ০৬।০৬।২০২১ কালেনগী ২৬নি পানবা নোংমাইজিং নুমিত্তা মঙানি লৈহুল তমজরগা, লাক্লিবা চৈচৎ ১২।০৬।২০২১ ইঙাগী ২নি পানবা থাংজ নুমিত্তা লান্না-থৌরম থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপু মাগী নাক্তা ইংনা চিক্না তিনজরুনবগীদমক ঙমজবা হৈ-লৈ খরদং মপুগী মিংখৈ শক শোন্দুনা মপুগী ঙাক্লৌখাদা ঙমজবা খরা কচ্চগদৌরি। থৌরম অসিদা অহল-লমন, ইপা-ইপল, মরূপ-মপাং অমদি ইচে-ইচল খ্বাই পুন্নমক্না মতম চানা লেঙবিরক্তুনা মপুগী মিঙ্খৈ শক শোঞ্জবা য়াওবিরনবা পাউ চেগী খুত্থাংদা পাউজেল পীজরি। পাউ চেগী খুত্থাংদা পাউজেল পীজবগী অরান অহুই ফিবিক ঙাকপিগনি।

থৌরম পরেং :
অয়ূক পুং ৮:০০ - লাইগী থৌরম
অয়ূক পুং ১০:০০ - লুক্লেন ফংমিন্নবা অয়ুক্তা লোইশিনগনি

*নোল্লুগরিবশিং :*

১। হিজম ওংবি মনিসনা লৈমা (অপোকপী)

২। হিজম ওংবি মন্দারানি লৈমা (লোয়নবী)

লমদিং লাইশ্রম লৈকাই

HL-P/9904/5

## ꯀꯟꯗꯣꯂꯦꯟꯁ/ CONDOLENCE




It is really heart touching to inform you that Mongjam Pratap Singh who was also the President of The Venture XV of Kwakeithel Soibam Leikai have been left us for his heavenly adobe on 31st May 2021. The Member of the Society observed a two minutes silent through virtual meeting held on 2nd June, 2021 at 10 a.m. in respect of the departed soul and prayed for the well being of the family.

HL-P/9796/5

Sd/- **The Venture XV**

## ꯅꯨꯡꯁꯡ/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোন্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজ রে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792

HL-B/6972/17/5-15/6

## কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

| Location | Cases | Recovered | Deaths |
|---|---|---|---|
| Maharashtra | 57,90,000+15,229 | 54,90,000+25,617 | 97,394+643 |
| Karnataka | 26,50,000+18,324 | 23,40,000+24,036 | 30,531+514 |
| Kerala | 25,80,000+18,853 | 23,90,000+26,569 | 9,375+153 |
| Tamil Nadu | 21,70,000+24,405 | 18,70,000+32,221 | 25,665+460 |
| Andhra Pradesh | 17,30,000+11,421 | 15,80,000+16,223 | 11,213+81 |
| Uttar Pradesh | 17,00,000+1,220 | 16,50,000+4,260 | 20,895+108 |
| Delhi | 14,30,000+487 | 13,90,000+1,058 | 24,447+45 |
| West Bengal | 14,00,000+8,811 | 13,30,000+16,938 | 15,921+108 |
| Chhattisgarh | 9,77,000+1,619 | 9,34,000+3,854 | 13,139+22 |
| Rajasthan | 9,43,000+1,258 | 9,08,000+6,456 | 8,559+44 |
| Gujarat | 8,13,000+1,207 | 7,79,000+3,018 | 9,890+17 |
| Odisha | 7,91,000+8,839 | 7,13,000+10,434 | 2,873+42 |
| Madhya Pradesh | 7,83,000+846 | 7,61,000+3,746 | 8,207+50 |
| Haryana | 7,60,000+980 | 7,39,000+2,889 | 8,532+71 |
| Bihar | 7,10,000+1,106 | 6,93,000+2,238 | 5,296+28 |
| Telangana | 5,85,000+2,261 | 5,50,000+3,043 | 3,331+18 |
| Punjab | 5,74,000+2,144 | 5,31,000+4,512 | 14,840+92 |
| Assam | 4,24,000+4,309 | 3,69,000+4,790 | 3,523+46 |
| Jharkhand | 3,40,000+1,015 | 3,27,000+775 | 5,021+10 |
| Uttarakhand | 3,32,000+589 | 3,03,000+3,387 | 6,573+38 |
| Jammu and Kashmir | 2,96,000+1,801 | 2,61,000+2,694 | 3,992+29 |
| Himachal Pradesh | 1,93,000+995 | 1,79,000+1,890 | 3,233+23 |
| Goa | 1,58,000+572 | 1,45,000+1,695 | 2,710+17 |
| Puducherry | 1,07,000+815 | 95,516+950 | 1,583+16 |
| Chandigarh | 60,399+111 | 58,502+226 | 762+1 |
| Chandigarh | 60,399+111 | 58,502+226 | 762+1 |
| Tripura | 53,872+650 | 46,993+763 | 539+5 |
| Manipur | 52,899+621 | 43,187+783 | 849+10 |
| Meghalaya | 37,149+552 | 30,172+594 | 625+9 |
| Arunachal Pradesh | 28,382+364 | 24,420+337 | 119+1 |
| Nagaland | 22,240+168 | 17,125+284 | 404+5 |
| Ladakh | 18,954+113 | 17,256+137 | 193+2 |
| Sikkim | 16,165+289 | 11,718+205 | 263+3 |
| Mizoram | 13,064+205 | 9,602+108 | 47+2 |
| Lakshadweep | 8,479+144 | 7,089+256 | 35 |
| Andaman and Nicobar Islands | 7,070+27 | 6,820+39 | 119 |